# মণিপুর য়াওনা ষ্টেট ৩ গী এথলেটিক এসোসিএসনশিং সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচএনএস) : এথলেটিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এ এফ আই) না মণিপুর য়াওনা ষ্টেট অহুমগী এথলেটিক এসোসিএসনশিং মথৌ পাঙথোক্তবগীদমক সস্পেন্দ তৌখ্রে। এ এফ আইনা সস্পেন্দ তৌখ্রবা মণিপুর নত্তবা অতোপ্পা ষ্টেট অনী অদুদি নাগালেন্দ অমসুং পোন্দিচেরিগী ষ্টেট এথলেটিক ফেদরেসনশিংনি।

ষ্টেট অহুমগী এথলেটিক ফেদরেসনশিং সস্পেন্দ তৌখিবগী মথক্তা ন্যু দিল্লিগী হোটেল মেপল ই মিরেল্ড দা পাঙথোকখিবা এথলেটিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী নুমিৎ নীনি চুপ্পা চথখিবা এন্যুএল জেনরেল বোদিবু মীটিংদা শরুক য়াখিদবগীদমক পঞ্জাব এথলেটিক এসোসিএসনবুসু থা অহুমগী সস্পেন্দ তৌখ্রে।

নুমিৎ নীনি চুপ্পা চথরবা মতুং নোংমাইজিং নুমিৎতা লোইশিনখিবা এথলেটিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী এন্যুএল জেনরেল বোদি মীফম অদুনা রিজোলুসন অমা পাস তৌরবা মতুংদা মহারাষ্ট্র এথলেটিক্স এসোসিএসন (এম এ এ) গী নৌনা থৌপুবশিং খন্ননবা মীখল অমা থা অমগী মনুংদা পাঙথোক্লনবসু খঙহনখ্রে। মহারাষ্ট্র এথলেটিক এসোসিএসনগী থবক থৌরমশিং মপূং ফানা পাঙথোক্তবনা মরম ওইরগা মহারাষ্ট্রদা এথলেটিক্সকী চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎপদা অপনবা থোকহল্লিবা কয়া অসি থোকহন্দনবগীদমক অনৌবা থৌপুবশিং খন্ননবা খঙহনখিবনি হায়রি।

এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এ এফ আই) গী প্রসিদেন্ট অদিল্লে জে সুমারিৱালানা হায়খি, পোন্দিচেরি, মণিপুর অমসুং নাগালেণ্ডদা এথলেটিক্সকী এক্তিভিটি অমত্তা পাঙথোকপা লৈত্রে। ষ্টেটশিং অসিগী



এথলেটিক এসোসিএসনশিংদা এথলেটিকপু য়োকখৎননবা অমদি চাওখৎহন্ননবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎননবা খঙহল্লবসু মখোয়না করিসু তৌদ্রে। পঞ্জাবসু এ জি এমদা এবসেন্ট ওইবা অমসুং চহী অসিগী ওক্টোবর ১৪ অমসুং ১৫ দা পঞ্জাব এথলেটিক এসোসিএসননা শিল্লগা টরান্টরনদা নোর্থ জোন মীট পাঙথোকখিবগী মওং-মতৌশিংগী মতাংদা এথলেটশিং অমসুং কোচশিংনা কমপ্লেন্ট কয়া অমা তৌরকপদগী পঞ্জাব এথলেটিক্স এসোসিএসনসু থা অহুমগী সস্পেন্দ তৌখিবনি।

অদুমকপু ঐখোয়গী ফ্লেগসিপ ডিভলপমেন্টেল প্রোগ্রাম ওইনা লাক্লিবা নভেম্বর ২৪ দগী ২৬ ফাওবা ভিজাগতা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল ইন্টর ডিষ্ট্রিক্ট জুনিয়র এথলেটিক্স মীটতা ডিষ্ট্রিক্টশিংদগী নহা ওইরিবা এথলেটশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। ষ্টেট য়ুনিটশিংনা চেকশিন্দবা অমদি থবক নীংথীনা তৌদবনা মরম ওইরগা নহা ওইরিবা এথলেটশিংদা চৈথেং ফংহনবদি ঐখোয়না পামদে। জেনরেল বোদিগী মীফম অদুনা অসিগুম্লবা মথৌ নীংথীনা পাঙথোক্তবা ষ্টেট য়ুনিটশিং অসিগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎপা মথৌ তাই হায়নসু মীফম অদুদা খন্নখি। অদুগা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা হাউসকী মেম্বরশিংনা মহারাষ্ট্র এথলেটিক্স এসোসিএসনগীসু নৌনা মীখল পাঙথোকহন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

এ এফ আইগী এন্যুএল জেনরেল বোদি মীফম অদুনা নেসনল কেম্পশিংদা শরুক য়াদবা এথলেটশিং ইন্টর্নেস্নেল কম্পিটিসনশিংগীদমক এ এফ আইনা পাঙথোকপা সেলেক্সন ট্রায়েলশিংদা শরুক য়াবগী অয়াবা পীদবা হায়নসু লেপ্পখি। মীফম অদুদা লৌখিবা অতোপ্পা অরুবা ৱারেপশিংগী মনুংদা মথং চহীদা ইন্দোনেসিয়াগী জকরটাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমস অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা কমনৱেল্থ গেমসকী ক্বালিফিকেসন গাইদলাইনশিংগী এপ্রুভেলসু পীখি হায়রি।

## এফ আই ডি ঈগী ট্রেনর্স সেমিনারদা শরুক য়ানিংবশিংনা এপ্লাই তৌরক্নবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া চেস ফেদরেসননা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এফ আই ডি ঈগী সেমিনারশিংদা শরুক য়ানিংবশিংনা এপ্লাই তৌরক্নবা চেস মণিপুরগী এদ-হোক কম্মিটিনা খঙহল্লক্লি।

ওল ইন্দিয়া চেস ফেদরেসনদা এফিলিএট তৌবা চেস মণিপুরগী এদ-হোক কম্মিটিগী চ্যেরমেন অতেম্বী লাইশ্রমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং অমসুং অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেণ্ডদা চেস মশান্নবু চাওখৎহন্ননবগী পান্দমদা ওল ইন্দিয়া চেস ফেদরেসননা শিল্লগা চহী অসিগী ডিসেম্বর ১৪ দগী ১৭ ফাওবা এফ আই ডিঈ ট্রেনর্স সেমিনার অমসুং চহী অসিগী ডিসেম্বর ২৭ দগী ২৯ ফাওবনা এফ আই ডি ঈ আর্বিটর'স সেমিনার পাঙথোক্কদৌরি। নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটশিং অমসুং অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেণ্ডদগী ষ্টেট এসোসিএসননা এফ আই ডি ঈ ট্রেনর'স সেমিনারদা কেন্দিদেট মরি অমসুং এফ আই ডি ঈ আর্বিটর'স সেমিনারদনা কেন্দিদেট অহুম নোমিনেট তৌরকপা য়াগনি হায়না খঙহল্লক্লি।

মণিপুরগী ওইনা চেস মণিপুরগী এদ-হোক কম্মিটিদা মাঙজৌননা রেজিষ্টর তৌরবা শান্নরোয়শিংনা লাক্লিবা নভেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা প্লেন পেপরদা এপ্লিকেসন ইরগা সেমিনারশিং অসিদা শরুক য়ানবা এপ্লাই তৌরকপা য়াগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক চেস মণিপুরগী এদ-হোক কম্মিটিগী মেম্বরশিং ওইরিবা ঐচ ভুপেন্দ্রনাথ, আরকে ভোগেন, ঐচ জোগেন্দ্রো মৈতৈ, এস মঙ্গিজাও অমসুং লাইশ্রম অতেম্বীদা পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

## রেফ্রীশিংগী ফুরিৎ, খোঙ্গ্রাও অমসুং মোজাদা কম্মর্সল এদ তৌবা থিংখ্রে

*ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না নোটিস থোক্তুনা রেফ্রীশিংগী ফুরিৎ, খোঙ্গ্রাও অমসুং মোজাদা এ আই এফ এফকী অয়াবা য়াওদনা কম্মর্সল এদভর্টাইজমেন্ট তৌবা থিংখ্রে। এ আই এফ এফনা রেফ্রীশিংগী ফুরিৎতা কম্মর্সল এদ তৌবগী অথিংবা থল্লকখিবা অসিগী মতুংইন্না মণিপুরগী রেফ্রীশিংগী ফুরিৎতা অস্ফা/এআইএফএফ অমসুং ফিফাগী লোগোশিং খক্তমক হাপ্পগী অয়াবা পীরে হায়না অস্ফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এল জোতিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।*

### সব-জুনিয়র গর্লস নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ, ২০১৭

# মণিপুর, ৱেষ্ট বেঙ্গল, ওদিষা, কেরলা, বিহার, দিল্লি, চান্দিগর অমসুং মহারাষ্ট্র ক্বার্টর ফাইনেলগী শেম-শাখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচএনএস) : ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) গী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শিন্দুনা চথরিবা সব-জুনিয়র গর্লস নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০১৭-১৮গী ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক মণিপুর, ৱেষ্ট বেঙ্গল, ওদিষা, কেরলা, বিহার, দিল্লি, চান্দিগর অমসুং মহারাষ্ট্রগী টিমশিং শেম-শানখ্রে।

মণিপুর, ৱেষ্ট বেঙ্গল, ওদিষা, চান্দিগর, দিল্লি অমসুং মহারাষ্ট্রগী টিমশিং মাঙজৌননা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা মতুং ঙসি খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউণ্ডদা শান্নখিবা সব জুনিয়র গর্লস নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০১৭-১৮ গী গ্রুপ ষ্টেজগী লীগ মেচশিংদা মায় পাক্তুনা বিহার অমসুং কেরলাসু ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট ১৯ না শরুক য়ারগা চথরকখিবা সব-জুনিয়র গর্লস নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ অসিগী লীগ রাউন্দগী মেচশিং লোইশিনখ্রে। ক্বার্টর ফাইনেলদা মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন ওদিষাগা কেরলাগা, চান্দিগরনা বিহারগা, দিল্লিনা মহারাষ্ট্রগা অমসুং য়ূম্লু ওইরিবা মণিপুরনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগা থেংগাইনরগনি।

সব-জুনিয়র গর্লস নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০১৭-১৮ অসিগী ঙসিগী অহানবা মেচতা ছটিসগর অমসুং বিহার শান্নখি। মেচ অদুদা বিহারনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক অকনবা মওংদা শান্নরকখি। মেচ অদু হেক হৌরকপদগী টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অদুবু অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা অদুৱাইদগী বিহারনা তপ্ন-তপ্না লাকশিনবা হৌরকখি। অহানবা হাফকী লোইরমদাই মেচকী ৪০ শুবা মিনিটতা বিহারগী কাজল কুমারিনা গোল অমা চনখি। কাজল কুমারিনা চনখিবা গোল অদুনা অহানবা হাফ লোইরবা ফাওবদা বিহারনা গোল ১-০ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদা ছটিসগরগী মায়কৈদগী গোল হন্দোক্লব-গীদমক কন্না হোৎনরকখি। মেচকী ৬৭ শুবা মিনিটতা ছটিসগরগী কেপ্টেন প্রিয়াঙ্কা ফুটাননা গোল অমা চন্দুনা ছটিসগর অমসুং বিহার গোল ১-১ দা ইক্বেলাইজ তৌখি। গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুংদা টিম অনীমক্না ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক অকনবা মওংদা লম্বা তৌনরগা শান্নরকখি। মেচকী ৮০ শুবা মিনিটতা বিহারগী পলবি কুমারিনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। বিহারগী অনীশুবা গোল অদু হন্দোক্লনবা ছটিসগরনা কন্না শান্নরকখি। অদুমকপু মেচকী এক্সট্রা টাইম হায়বদি ৯০ প্লস টু চৎপা মিনিটতা বিহারনা পেনালটি অমা কাওবগী খুদোংচাবা ফংখি। পেনালটি অদু বিহারগী কেপ্টেন জোতি কুমারিনা গোল ওন্থোকখি। ছটিসগরবু গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীরম্লগা বিহারনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

গ্রুপ ষ্টেজগী অরোইবা মেচতা কেরলা অমসুং টামিল নাদু শান্নখি। মেচ অদু কেরলানা লাকচনা শান্নখি। মেচ অদুদা টামিল নাদুবু গোল ৫-১ দা মায়থীবা পীরম্লগা কেরলানা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি। কেরলাগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেচকী ৫ শুবা মিনিটতা অরয়া ভিনা গোল অমা মেচকী ১১ শুবা মিনিটতা অজুসা সরিন পি এমনা গোল অমা অমদি মেচকী ৩২ শুবা, ৫৫ শুবা অমসুং ৫৮ শুবা মিনিটতা নন্দনা কৃষ্ণননা গোল অহুম চনখিবনি। অদুগা টামিল নাদুগী অমতা ঙাইরবা গোল অদুনা মেচকী ৭৬ শুবা মিনিটতা দিভিয়া কেনা চনখিবনি।

সব-জুনিয়র গর্লস নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০১৭-১৮ অসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিং নভেম্বর ২ দা শান্নরগনি। অহানবা মেচতা ওদিষানা কেরলাগা থেংনগনি। অদুগা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা নুংথিল পূং ২ তাবদগী মণিপুর অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গল শান্নগনি।

**SUB-JUNIOR GIRLS NATIONAL FOOTBALL CHAMPIONSHIP 2017-18**

**Quarter Final Fixture**

| Match No | Date | Kick off | | | Team A | Vs | Team B | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 22 | 2nd Nov. | 07.00 | 4TH Quarter | D | Odisha | Vs | Kerala | 2ND Best Team |
| 23 | 2nd Nov. | 9.30 | 2ND Quarter | B | Chandigarh | Vs | Bihar | F |
| 24 | 2nd Nov. | 12.00 | 3RD Quarter | C | Delhi | Vs | Maharashtra | G |
| 25 | 2nd Nov. | 2.00 | 1ST Quarter | A | Manipur | Vs | West Bengal | E |

GROUP - A

| TEAM | M | W | D | L | G/F | G/A | G/D | PT |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Manipur | 2 | 1 | 1 | 0 | 10 | 02 | +08 | 4 |
| Himachal | 2 | 0 | 1 | 1 | 02 | 10 | -08 | 1 |

GROUP - B

| TEAM | M | W | D | L | G/F | G/A | G/D | PT |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Chandigarh | 2 | 2 | 0 | 0 | 08 | 00 | +08 | 6 |
| U P | 2 | 0 | 0 | 2 | 00 | 08 | -08 | 0 |

GROUP - C

| TEAM | M | W | D | L | G/F | G/A | G/D | PT |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Delhi | 2 | 2 | 0 | 0 | 26 | 00 | +26 | 6 |
| MP | 2 | 1 | 0 | 1 | 17 | 02 | +15 | 3 |
| J & K | 2 | 0 | 0 | 2 | 00 | 41 | -41 | 0 |

GROUP - D

| TEAM | M | W | D | L | G/F | G/A | G/D | PT |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Odisha | 2 | 2 | 0 | 0 | 28 | 00 | +24 | 6 |
| Rajasthan | 2 | 0 | 0 | 2 | 00 | 24 | -24 | 0 |

GROUP - E

| TEAM | M | W | D | L | G/F | G/A | G/D | PT |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| West Bengal | 2 | 1 | 1 | 0 | 04 | 03 | +01 | 4 |
| Mizoram | 2 | 0 | 1 | 1 | 03 | 04 | -01 | 1 |

GROUP - F

| TEAM | M | W | D | L | G/F | G/A | G/D | PT |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Bihar | 2 | 2 | 0 | 0 | 06 | 01 | +05 | 6 |
| Chattisgarh | 2 | 1 | 0 | 1 | 03 | 03 | +00 | 3 |
| Uttarkhand | 2 | 0 | 0 | 2 | 00 | 05 | -05 | 0 |

GROUP - G

| TEAM | M | W | D | L | G/F | G/A | G/D | PT |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Maharastra | 2 | 2 | 0 | 0 | 06 | 00 | +06 | 6 |
| Kerela | 2 | 1 | 0 | 1 | 05 | 04 | +01 | 3 |
| Tamil Nadu | 2 | 0 | 0 | 2 | 01 | 08 | -07 | 0 |

## এ এফ সী 'সী' সর্টিফিকেট কোর্স পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শিল্লগা কর্নাটকাদা লাক্লিবা নভেম্বর ২০ দগী ডিসেম্বর ২ ফাওবা এ এফ সী 'সী' সর্টিফিকেট কোর্স পাঙথোক্কদৌরি হায়না অস্ফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এল জোতিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। কর্নাটকাদা নভেম্বর ২০ দগী হৌরগা নুমিৎ ১২চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী 'সী' সর্টিফিকেট কোর্স অসিদা শরুক য়ানিংবা কোচশিংনা লাক্লিবা নভেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা ওনলাইনদা এপ্লাই তৌবা য়াগনি। ওনলাইনদা এপ্লাই তৌনবগীদমক http://coaching.the-aiff.com দা লোগ ওন তৌ হায়নসু অস্ফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরিগী চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

## মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কবাদ্দি টিম শেম্নবগীদমক ট্রায়েল সেলেক্সন অমসুং কোচিংদা শরুক য়াননবা শান্নরোয়শিং খনগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচএনএস): ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি কবাদ্দি (মেন এন্দ ৱিমেন) টুর্নামেন্টস ২০১৭-১৮ দা শরুক য়াগদবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কবাদ্দি (মেন এন্দ ৱিমেন) টিমশিং শেম্নবগীদমক পাঙথোক্কদবা ট্রায়েল সেলেক্সন কম কোচিংদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খনগৎলে হায়না এম য়ুগী এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর ওফ স্পোর্টস ডা. সীঐচ প্রদিপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌবাল কোলেজদা ওক্টোবর ২৬ অমসুং ২৭ তা পাঙথোকখিবা এম য়ু ইন্টর কোলেজ কবাদ্দি (মেন এন্দ ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮ দা উৎখিবা পর্ফোমেন্সকী মতুংইন্না এম য়ু কবাদ্দি টিম শেম্নবগীদমক ট্রায়েল সেলেক্সন অমসুং কোচিংদা শরুক য়াননবা শান্নরোয়শিং অসি খনগৎখিবনি।

খনগৎলবা নুপা শান্নরোয়শিং অদুনা থৌবাল কোলেজগী কে সনাতোম্বা, এস চিংলেন, ও সুসিলকুমার, ৱাই অঙৌবা, এম রঞ্জু, এন পেন্দিকর, এম জোধচন্দ্র, এল রোমেশ, টিঐচ লক্সমন অমসুং এস রাজেশনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগীনা ও রোনি কুমার, এস সুরচন্দ্র, এল ফ্রেঙ্ক, কেঐচ বোরিস, এন লৈশেম্বা অমসুং টিঐচ দি ওবাদিয়া চিরুনি। ডিএম কোলেজ ওফ সাইন্সতগীনা রোসন চৌধুরি, ও সৈত্যজিৎ, এন হেলমেট, য়ু রোবোসন অমসুং এল হেনরি রোইনি। ডি এম কোলেজ ওফ আর্টসতগীনা এল কিষন, পি রাজেশ অমসুং কেঐচ সুরেশনি। অদুগা ইম্ফাল কোলেজদগীনা কেঐচ বসন্ত, এ মেকোলিন অমসুং কে সুন্দরনি।

নুপীগী খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুনা থৌবাল কোলেজগী পি বিদ্যারানি, এল গিতাঞ্জলি, এন শকহেনবী, এম অশারানি, এম কিরনবলা, এম বিদ্যালক্সমী, এল পুস্পা অমসুং এ মারিয়ানি। ডি এম কোলেজ ওফ সাইন্সতগীনা ৱাই থোইনু, এন রোজিতা, বিন্দি অথোকপম, এল পুস্পরানি, বি সাধনা অমসুং এন মোনিকানি। অদুগা ডি এম কোলেজ ওফ আর্টসতগীনিনা ভাবনা দেবী, টিঐচ রবিনা, টিঐচ লিম্থোইঙানবী, লৈহিংনৈলম হাওকিপ অমসুং এন সোনিয়ানি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কবাদ্দি (মেন এন্দ ৱিমেন) টিম শেম্নবগীদমক পাঙথোক্ক-দৌরিবা ট্রায়েল সেলেক্সন কম কোচিংগীদমক খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অসিনা এম য়ুগী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লাক্লগা রিপোর্ট তৌরগদবনি। এম য়ু টিমগী খনগৎলবা নুপা কবাদ্দি শান্নরোয়শিংনা চহী অসিগী নভেম্বর ১২ দগী ১৬ ফাওবা বিহারগী দরবঙ্গদা লৈবা লক্সমী নারায়ন মিথিলা য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি কবাদ্দি (মেন) টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮ দা শরুক য়াগনি। অদুগা ট্রায়েল সেলেক্সন কম কোচিং অসিদগী খনগৎলবা এম য়ু টিমগী নুপী শান্নরোয়শিং অদুনা কুমজা ২০১৮ গী জনুৱারী ১৮ দগী ২৩ ফাওবা মধ্য প্রদেশকী রিৱাদা লৈবা এ পি এস রিৱা য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি কবাদ্দি (ৱিমেন) টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

## কুমার অমসুং বিমোলনা দবলসকী টাইটল লৌখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচএনএস) : চান্দিগরনা য়ূম্বু ওইরগা হৌখিবা ওক্টোবর ২৬ তগী ২৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা ইন্টর্নেস্নেল ইভেন্ট অমা ওইরিবা তরুকশুবা সুদামা কপ বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপতা মণিপুরগী এল কুমার অমসুং সী ঐচ বিমোলগী জুরানা মেন'স চহী ৬০ মথক্কী নুপাগী দবলস টাইটল লৌখ্রে।

শ্রী লঙ্কা, বংলাদেশ অমদি ইন্দোনেসিয়ানচিংবা লৈবাকশিংদগী লাকপা শান্নরোয়শিং শরুক য়াবতা নত্তনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ২৯ দগী নুপী শান্নরোয় ১০০ রোম য়াওনা পুন্না শান্নরোয় ৭০০ লোমনা শরুক য়ারগা চান্দিগরগী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা সুদামা কপ অসিদা মণিপুরগী সী ঐচ বিমোল অমসুং এল কুমারগী জুরানা চহী ৬০ মথক্কী মেন'স দবলসকী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। লুপা লাক্ষ ১০ গী মনা ওইরিবা ইন্টর্নেস্নেল ইভেন্ট অসিদা মণিপুরগী কুমার অমসুং বিমোলনা দবলসকী টাইটল লৌবা ঙম্লকখিবনি হায়নসু মণিপুর বেদমিন্টন এসো-সিএসনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## অনীশুবা এসিয়ন কোম্বেট গেমসকী কিক বোক্সিং মশান্নদা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচএনএস) : মার্সিয়ল আর্টস এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া, স্কুল গেমস এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা হৌখিবা ওক্টোবর ২৬ তগী ৩০ ফাওবা গুৱাহাটিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা এসিয়ন কোম্বেট গেমস ২০১৭ তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারগা কিক বোক্সিং মশান্নদা মেদল লৌরকখ্রবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং ঙসি তরাম্না ওকখ্রে।

অনীশুবা এসিয়ন কোম্বেট গেমসকী কিক বোক্সিং মশান্নদা মেদল লৌরকপগীদমক তরাম্না ওকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি কেজি ৪৮ গী কেটিগরিদা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা থৌবাল ৱাংমতাবদগী ককচিংতাবম বোবোচা শর্মা, কেজি ৬৫ গী কেটিগরিদা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা থৌবাল লৈতাঙ্খেম লৈরক্তগী ৱাইখোম প্রসান্তা, কেজি ৫১ গী কেটিগরিদা গোল্ড লৌরকখ্রবা চরাংপাৎতগী এ হরিদাস, নুপীগী কেজি ৪৮ গী কেটিগরিদা গোল্ড লৌরকখ্রবা থৌবাল হাওখাদগী এম নিরিসা অমসুং নুপীগী কেজি ৪৮ গী কেটিগরিদা গোল্ড লৌরকখ্রবা থৌবাল কিয়ামদগী এম সুনন্তনি। মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং অসিবু ঙসি সোসল রিফোর্মেসন য়ুনিয়ন থৌবালনা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখিবনি।

## সেলেক্সন ট্রায়েল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচএনএস) : টামিল নাদুদা লাক্লিবা নভেম্বর ২৫ দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১ শুবা নেসনল কুং-ফু চেম্পিয়নসিপ ২০১৭ দা শরুক য়াগদবা মণিপুর টিমগী শান্নরোয়শিং খন্নবগীদমক ট্রায়েল সেলেক্সন অমা এম য়ুগী ডিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টসতা লাক্লিবা নভেম্বর ১ দা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর কুং-ফু ব্রদরহুদ য়ুনিয়নগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।।

মণিপুর টিমগী খনগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অসি সব-জুনিয়র, জুনিয়র অমসুং সিনিয়রগীনি। ট্রায়েল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা মশাগী এজ প্রুভ সর্টিফিকেট অমদি পাসপোর্ট সাইজকী ফোটোগ্রাফ অনী পুরক্লগা ওল মণিপুর কুং-ফু ব্রদরহুদ য়ুনিয়নদা রিপোর্ট তৌরগদবনি। ট্রায়েল সেলেক্সন অসিদগী খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুনা ১১ শুবা নেসনল কুং-ফু চেম্পিয়নসিপ ২০১৭ তা শরুক য়াগনি হায়নসু ওল মণিপুর কুং-ফু ব্রদরহুদ য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি এস রাজেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## ইষ্টর্ন ইন্দিয়া পাৱরলিফটিং চেম্পিয়নসিপতা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয় ৩ তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচএনএস) : কোলকটাদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ইষ্টর্নইন্দিয়া পাৱরলিফটিং চেম্পিয়নসিপ ২০১৭ তা মেদল লৌরকখ্রবা মণিপুরগী শান্নরোয় অহুম তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে।

মেদল লৌরকখ্রবা পাৱরলিফটিং শান্নরোয় অহুম ওকপগী থৌরম অদু এস ৱাই সী হাওরং শাবল লমশাংদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা মাকলোং জি পিগী উপ-প্রধান ভুবোনচন্দ্রনা প্রসিদেন্ট, ওল মণিপুর পাৱরলিফটিং এসোসিএসন (এ এম পি এল এ) গী জেনরেল সেক্রেটরি এন জি থোইবনা চীফ গেষ্ট, টিঐচ ইবাইঙাংনা, টিঐচ সনাজাও, কে নিমাই, টিঐচ ওমোর, টি অমুবী মৈতৈ অমদি এনজি মংলেমজাওনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। ঙসি তরাম্না ওকখ্রবা পাৱরলিফটিং শান্নরোয়শিং অদুদি সিঐচ সোনিয়া, এম রোনাল্ডো অমসুং এল রোহিটনি। থৌরম অদুদা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং অসিদা অচম্বা খুদোলপোৎ তমদুনা পুক্নিং থৌগৎখি হায়রি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com